য়েমেনগী এদেনদা সেপরেটিষ্ট অমসুং গভর্নমেন্ট ফোর্সেসকী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা মীওই ৩৬ শিরে

এদেন, জন্যুৱারি ৩০ (এজেন্সি): য়েমেনগী ইন্টরিম কেপিটেল এদেনদা সেপরেটিষ্ট অমসুং গভর্নমেন্ট ফোর্সেসকী মরক্তা নুমিৎ নীনি অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবদা মীওই ৩৬ শিরে অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৮৫ অশোক-অপন নংলে হায়না রেদ ক্রোসনা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিটরিগী ছোর্স অমনা হায়খি, খা থংবা হীথাংফম সিটি এদেনদা কূ তৌনবা হোৎনরকখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা নুমিদাংগী মতমদসু টেঙ্ক অমদি আর্টিলরি শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি।

গভর্নমেন্টপু শৌগৎলিবা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা মিলিটরি কোলিসননা খুদক্তা সীজফায়র লাউথোক্তুনা খূৎ থোক্লবা লেপকদবনি হায়না নাকল অনীমক্তা খঙহনখি। ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি (এস পি এ) দা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা কোলিসননা হায়খি, অথুবা মতমদা খূৎ থোক্লরিবা নাকল অনীমক খোঙফম হন্দোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

হৌজিক ফাওবদা নাকল অনীমক্কী মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বগী মতাংদা কোলিসননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদবা তারবসু ইন্টরনেসনল কম্মিটি ফোর দ রেদ ক্রোসনা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, সেপরেটিষ্ট অমসুং গভর্নমেন্ট ফোর্সেসকী মরক্তা খূৎ থোক্লবদা মীওই ৩৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ১৮৫ শোক্লে।

অদুম ওইনমক মীচম শিবা নৎত্রগা শোকপগী মতাংদা রেদ ক্রোসনা ৱাফম অমত্তা পনখিদে।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সেপরেটিষ্ট ফোর্সেসনা গভর্নমেন্টকী মরুওইবা বিল্ডিং কয়া মথং মথং খুদুম চন্নবা হোৎনরকখ্রবা মতুংদা নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি। সেপরেটিষ্টশিংগী থৌওং অদু কূ তৌনবা হোৎনরকপনি হায়না য়েমেনগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নুমিদাংগী মতমদা সেপরেটিষ্ট শৌগৎপা খূৎলায় পায়বশিংনা এদেনদা লৈবা প্রসিদেন্সিএল পেলেস তম্না চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী মরুওইবা বিল্ডিং অয়াম্বা খুদুম চনশিনখি হায়না সিক্যুরিটি অমসুং মিলিটরিগী ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। খূৎ থোক্লবগী নীনি চনবা নুমিৎতা সেপরেটিষ্টশিংনা এদেন ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা মিলিটরি কেম্প অনীসু খুদুম চনখি হায়রি।

চহী অহুমগী মমাঙদা হুথি রেবেলশিংনা প্রসিদেন্ট অবেদরাবো মন্সুর হাদিগী গভর্নমেন্টপু কেপিটেল সিটি সানাদগী তান্থোরকখ্রবা মতুংদা সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা য়েমেন গভর্নমেন্টকী হেদক্বার্টর্স এদেনদা ওইদুনা লাকখিবনি। হন্দক্তা হুথি রেবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী জিজান রিজন তম্না কাপ্পকপা বলিষ্টিক মিসাইল অমা সাউদি ফোর্সেসনা মতম চানা কাপথখিবনি।

অফঘানিষ্টাননা টালিবান মায়থীবা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারি ৩০ (এজেন্সি): য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মিলিটেন্টশিংদা ৱারী শানবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রবা মতুংদা অফঘানিষ্টাননা হায়খ্রে মদুদি টালিবান মিলিটেন্টশিংবু তঙাইফদনা লানফমদা মায়থীবা পীবগী মথৌ তারে।

তমথীবা মখলগী এটেক চথবা মিলিটেন্টশিংনা ৱারী শানরোই হায়বা ট্রম্পকী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা টালিবাননা হায়খি মদুদি গ্রুপ অসিনা কৈদৌঙৈদসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানরোই। করিগুম্বা ৱারী শাননবা চেবাউ পীরকপা তারবসু টালিবাননা অয়াবা পীরোই।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ট্রম্পনা কাবুলদা থোকখিবা তমথীবা এটেকশিং কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা হায়খি মদুদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা টেররিষ্ট গ্রুপ অমত্তগা ৱারী শানরোই।

অমরোমদা অফঘান প্রসিদেন্ট আশ্রম ঘানিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, গভর্নমেন্টনা টালিবানগা ৱারী শাননবা থৌরাং লৌখৎপা তারবসু থাংজ নুমিৎতা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখিবা য়াওনা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা চথুরকপা তমথীবা মখলগী থৌওংশিং য়াবা ঙম্লোই। খাঙবা ঙম্বগী পনখে লানশিল্লক্লবা মরম্না হৌজিক্তি তঙাইফদনা টালিবান মিলিটেন্টশিংবু লানফমদা মায়থীবা পীবগী মথৌ তারে হায়না স্পোক্সমেন সাহ হুসেন মুরতাজাৱিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, লানফম কয়াদা টালিবানবু মায়থীবা পীরবা মতুংদা ইং-তপ্পা ফিভম পুরক্লবা হোৎনরগনি। দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা কম্মেন্ট পীনবা হায়বদা স্পোক্সমেন অদুনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে।

অফঘানিষ্টানদা মপান লৈবাক্কী লান্মীশিং মায়োক্লদুনা য়ু এসনা শৌগৎপা গভর্নমেন্ট মায়থীবা পীরগা ইস্লামিক গভর্নমেন্ট লৈহন্নবা হোৎনরিবা টালিবানগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, নোংচুপ লৈবাকশিংনা অফঘানিষ্টানদা ইং-তপ্পা ফিভম পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা মখা তানা মীচম-মীয়াম শিহন্নবা থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎলি।

মফম মতম নাইদনা অমেরিকান লান্মীশিং মায়োক্লনবা শেম-শারে হায়নসু টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলা মুজাহিদনা ফোঙদোকখি। অমরোমদা পেন্টাগোননা অফঘানিষ্টানদা চথুরিবা লানগা মরী লৈনবা দেটা মীয়ামদা ফোঙদোক্তনবা খঙহনখ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘানিষ্টানদা অনৌবা লাল্লোং অমা চথুরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা পেন্টাগোনগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

রসিয়াদা নৌনা অথিংবা থম্বগী মথৌ তাদ্রে : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস

ৱাশিংটন, জন্যুৱারি ৩০ (এজেন্সি): মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা রসিয়ন আর্মস কম্পনিশিংগা সাইন তৌনখিবা দোলর বিলিয়ন কয়াগী য়ানচে কেন্সেল তৌখিবা মরম্না রসিয়াদা নৌনা অমুক অথিংবা থম্বগী মথৌ তাদ্রে হায়না য়ু এস গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা য়ু এসকী ট্রেজরি ডিপার্টমেন্টনা ওফিসল ওইবা ৱাফম অমা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

রসিয়ন ওফিসলশিংনা য়ুক্রেনদা তংদু-লৈতাদবা ফিভম পুরকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী মীখলদা খূৎ থিংজিল্লকখিবা তারবসু ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা মোস্কোগা নক্লবা মরী পুরক্লবা হোৎনবদা রসিয়াগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলক্তবা য়াই হায়না য়ু এসকী লোমেকর শিংনা নুংনাংবা পোক্লি।

মমাঙ চহীদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সাইন তৌখিবা সেঙ্কসন এক্ট অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ু এসকী লোমেকরশিংনা হায়খি মদুদি ষ্টেট ডিপার্টমেন্টনা রসিয়াগী করম-করম্বা কম্পনিশিংগী মথক্তা অথিংবা থম্বগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই।

রসিয়াগী ব্লেকলিষ্ট তৌখ্রবা কম্পনিশিংগা থবক তৌমিন্নবা য়ু এস নৎত্রগা মপান লৈবাক্কী ফার্মশিংদা ৱাশিংটননা করম্বা মখলগী থবক লৌখৎকদগে হায়বদুসু ময়েক শেংনা লাউথোক্কদবনি হায়না লোমেকর শিংনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী স্পোক্সৱুমন হিদর নোর্থনা হায়খি মদুদি কাউন্টরিং অমেরিকাজ এদভর্জরিজ থ্রু সেঙ্কসন্স এক্ট (সী এ এ টি এস এ) কী প্রোভিজনশিং চৎনহনখ্রবা মতুংদা মপান লৈবাক অয়াম্বনা রসিয়াদগী ডিফেন্সকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং লৈনবগী থৌরাং খোঙফম হন্দোকখ্রে।

অমরোমদা য়ু এস ট্রেজরিনা মোস্কোবু চৈরাক পীনবগী মতাংদা শেমখিবা লো অমগী মখাদা অথিংবা থমগদবা রসিয়ন ওফিসল অমদি বিজনেস লীদরশিংগী লিষ্ট অমা থাদোরকখ্রে। লিষ্ট অদুদা য়াওখিবা পোলিটিসন ১১৪ অমসুং বিজনেস লীদর ৯৬ কী মনুংদা মীওই অয়াম্বদি প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী এদমিনিষ্ট্রেসনগা নক্লবা মীওই ঙাক্তনি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর সরগে লেবরোভ, প্রাইম মিনিষ্টর দিমিত্রি মেদভেদেভ অমদি রসিয়ন ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া য়ু এস ট্রেজরি ডিপার্টমেন্টকী লিষ্ট অদুদা য়াওই হায়রি।

রেফ্যুজীগী মতাংদা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখ্রে

NO BAN
NO WALL
NO RAIDS
NY IS FOR ALL
nyic

ৱাশিংটন, জন্যুৱারি ৩০ (এজেন্সি): রিস্ক ৱাংবা লৈবাক ১১ দগী রেফ্যুজী চঙলকপা অথিংবা থম্লম্বগী থৌরাং অমা লৌথোক্লে হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক লৈবাক ১১ দগী চঙলক্কদবা মীওইশিং নীংথীনা য়েংশিল্লবা মতুংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদ্রে খঙলগা য়ু এসতা চঙনবগী অয়াবা পীগনি হায়না হোমলেন্দ সিক্যুরিটিগী সেক্রেটরি কির্ষ্টন নেলসননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়না খনবা লৈবাক ১১ দগী চঙলক্কদবা মীওইশিংগী মরী-মখোঙ কুপ্পা য়েংশিনবগী থবক পায়খৎলগনি।

লৈবাকশিং অদুগী চপ চাবা মমিং পনখিদবা তারবসু মুস্লিমশিংনা নম্না খুন্দাবা লৈবাক তরা অমসুং নোর্থ কোরিয়ানি হায়না থাজনরি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা রেফ্যুজী পোলিসি শেমদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক ১১ দগী রেফ্যুজী অমত্তা চঙহন্দনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অদুবু ইজিপ্ট, ইরান, লিবিয়া, মালি, নোর্থ কোরিয়া, সোমালিয়া, সাউথ কোরিয়া, সুদান, সিরিয়া অমসুং য়েমেনগী রেফ্যুজী গ্রুপশিংনা য়ু এসকী থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি লৈবাক ১১ দগী চঙলক্কদবা রেফ্যুজীশিংদা কা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী থৌওং অসি অতম্নবা মুস্লিমশিংবু তাথী-তাওইনা তৌবনি হায়না লৌফম থোক্তে। ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা কনাগুম্বা ফুরুপ নৎত্রগা লাইনিং অমত্তবু য়ানিংদবা লৈতে। খুদোংথীবা থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা লৈবাকশিংদগী লাকপা রেফ্যুজীগী মথক্তা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী ৱাদনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক য়ু এসতা চাওরাক্লা সিরিয়ন রেফ্যুজী মিলিয়ন ৫.৫ রোম লৈ হায়রি। ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন মতমদা সিরিয়ন রেফ্যুজী ৩,৬০০ থা অহুমগী মনুংদা য়ু এসতা চঙহনখি। অদুবু প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী মতমদা মপান লৈবাক্তগী রেফ্যুজী চঙলকপগী চাং হন্থখি।

টাইৱাননা লানগী শাজেল পাঙথোকখ্রে

হ্বালিন, জন্যুৱারি ৩০ (এজেন্সি): চাইনানা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেনগী মথক্তা অকনবা প্রেসর পীরকখ্রবা মতুংদা টাইৱানিজ লান্মীশিংনা ঙসি লানগী শাজেল পাঙথোকখ্রে।

লানগী শাজেল অদুদা জহাজ অমসুং টেঙ্ক কয়া শীজিন্নখিবগা লোয়ননা মিলিটরি রিকোনেসেন্স এয়রক্রাফটনা নোংথক্তগী কুপ্পা শেন্নখি। য়েক্লবনা এটেক চথুরকপগী মওংদা এটেক হেলিকোপ্টর অমসুং এফ ১৬ ফাইটর জেটশিংনা য়েক্লবগা লম্বা পাবগী মওংদা লানগী শাজেল পাঙথোকখি হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা এটেক চথুরকপা মতমদা চপ চানা মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক থৌরাং অদু লৌখৎপনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখিদবা তারবসু টাইৱান ষ্টেট অমসুং নেসনল সিক্যুরিটিগী ফিভম ঙাক-শেন্দুনা থম্নবগীদমক তঙাইফদনা লানগী শাজেল অদু পাঙথোকখিবনি হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা মিলিটরিগী ওইবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপগী মতাংদা সাই ইং-ৱেননা মমাঙ থাদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। বৈজিংনা টাইৱানবু চাইনাগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না লৌবা তারবসু টাইৱাননদি নীংতম্বা লৈবাক অমনি হায়না কয়ারক হন্না লাউথোকখি। ঙসি পাঙথোকখিবা লানগী শাজেল অদুসু টাইৱানগী তৌবা ঙম্বা চাংয়েং তৌবা ওইনা পাঙথোক্কনি হায়না টাইৱানিজ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 95/SDC/IW(P) of 2018

Thokchom Prema Devi D/o (L) Yumnam Gandhar Singh of Yurembam Makha Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

Late Thokchom Gandhar Singh S/o (L) Tomba Singh of Yurembam.

-O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

29/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৭৯/ য়ুরেম্বমগী পাট্টা নম্বর ১১৫ (অরিবা), ৩৩৯ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১০৬৮ গী পোইন্ট ০.০৪ একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/০২/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/463/31

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 94/SDC/IW(P) of 2018

Longjam Manihar Singh S/o (L) Modhu Singh of Taobungkhok Mayai Leikai.

-Petitioner

-Vrs-

(Late) 1. Longjam Modhu Singh S/o (Late) Gopal singh of Taobungkhok.
(Late) 2. –Do– Tharongou Singh S/o (Late) Gopal singh of Taobungkhok.

-O.P. Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Dt. 30/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮১/ তাওবুংখোক্কী পাট্টা নম্বর ২৪ (অরিবা), ৪২৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৬৩২ গী পোইন্ট ০.৮৪ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মৃতু ওইখ্রবা, মপা অমদি মৃতু ওইখ্রবা মখুরাগী মীংদা নমা পান্দুনা লৈরিবা অসি ইমুং-মনুংগী লম য়েন্নবদা দংকারিগী শরুক থুংজবনি। মরম অদুনা দংকারিগী স্বত্তনি মমীংদা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিংনা অমদি মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/০২/২০১৮ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথজগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/463/31

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঙ্গাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুষ্ঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইনি টফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

মীয়ামগীঃ- জ্যোটিষ মহাঋষি
Dr. Ph. Rajendra
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/377/14/1-13/2

K. M. BLOOMING HR. SEC. SCHOOL KHANGABOK

EMPLOYMENT NOTICE

Application are invited from the intending candidates for the following post laying vaccant in this institution as follows :

Sl.No.	Name of post	Minimum Essential Qualification	No. of Post	Salary (INR)
1	Principal	Post Grdt. in Science Stream with 3yrs teaching experience as Lecturer.	1	20,000 - 30,000 + allowance
2	Assistant Teacher (Manipuri)	Graduate in Manipuri	2	10000 - 15000
3	Assistant Teacher (Fine Arts)	Graduate in Fine Arts	2	10000 - 15000
4	Farm Manager	MBA/BBA (H.R.)	1	10000 - 12000
5	Electrician	10 + 2 with 2 years experience	1	8000 - 10000

Willing candidates may submit through a prescribe application form which can obtain from school counter during office hour on or before 10th Feb. *2018.* Preference will be given to those candidates who are trained and experienced in their respective fields.

N.B : 1. Candidates may also apply for the post of Assistant Teacher cum warden. Salary is negotiable.

Detail information can also be had from the following contact nos.:

Phone: 03848-222824/7424031255
Website: www.kmbloomingkhangabok.org

Sd/-
Secretary, KMBHSS, Khangabok

HL-P/4364/31

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ২৭/০১/২০১৮ ইং, থাংজ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাবা মতমদা রুদা একাদেমী বোর্দিংদগী মহৈরোয় নুপামচা ১৩ খক বোর্দিং থাদোক্তুনা লোন্না চেনখিবা থৌদোক্তা মরী লৈননা নুংতিগী ফোঙবা মণিপুরগী পাউচেশিংদা হাপ্পীরকপা ***"খুন্নাই অসিগী মহৈ লোইশঙশিং লৈখা তানবা শিল্লোইদবনি"*** হায়না হেদ্দিং থাদুনা ফোঙদোকপীরকপশিংদুগী মরী লৈননা স্কুলসিগী ওথোরিটিশিং, বোর্দিংগী ষ্টাফশিং অমদি স্কুলসিগী টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ পুম্নমক য়াওনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনরে। থোকখিবা থৌদোকশিংদা য়াম্না কা হেনবা, চৎনবা য়াদবা, মীয়াম্না চৎনদবা, য়ানদবা থবক-থানা অমত্তা মমা-মপাশিংগা থোকখিবা অমত্তা য়াওখিদে।

স্কুলসিগী চৎনরিবা, চৎনগদবা নীতি-নিয়মশিং অমদি বোর্দিংদা লৈজরিবা নীতি-নিয়মশিং পুম্নমকসু মাঙজৌননা খঙহন্দুনা মহৈরোয়শিং অমদি পেরেন্টশিংগী অইবা সহিশিং পীবীদুনা ৱাখল তানা স্কুলসিদা অমদি বোর্দিংদা মীং চন্দুনা লৈহল্লিবা, তমহল্লিবা ঙাক্তনি।

বোর্দিং অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং পুম্নমক থা অমগী মনুংদা অহানবা অমসুং অনীশুবা নোংমাইজিংশিংদা ভিজিটিং দে থোকই। মসিদা বোর্দিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা মমা-মপাশিংগা উনদুনা ৱারী-ৱাতায় শাজনবগী তাঞ্জাসু পী। অদুগা, বোর্দিংগী ওথোরিটি অমদি ৱার্দেনশিংগা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংগা খন্ন-নৈনবগী থবকসু নুমিৎশিংসিদা পাঙথোকই।

হৌজিকসিদা বোর্দিং অসিদা মহৈরোয় নুপা নুপীশিং তোঙান তোঙানবা ক্লোক্তা পুন্না ২৮৪ লৈরি। হৌজিকসিদা, ক্লাস টেন অমদি ক্লাস টুৱেল্বকী সী বি এস ঈগী ফাইনেল ইগজামসু নকশিল্লকপদা নত্তনা লেমহৌরিবা ক্লাসশিংগী ফাইনেল ইগজামসু য়াম্না নকশিল্লক্তুনা মহৈরোয়শিংদা থোইনা অকায়বা, অথিংবা লৈহনবীদনবসু মরী লৈনবশিংদা হায়জরি।

Sd/- **SECRETARY**
RUDA ACADEMY, THOUBAL

HL-P/464/31

राष्ट्रीय प्रौद्योगिकी संस्थान,मणिपुर

NATIONAL INSTITUTE OF TECHNOLOGY, MANIPUR

An Autonomous Institute under MHRD, Govt. of India.

No. NITM.1/(2-Estt)/MP/2017 /128/
Date: 30.01.2018

WALK-IN-INTERVIEW

Interested and eligible candidates fulfilling all the requirements are invited for Walk-in-Interview for the post of Library Assistant / Junior Library Assistant on contractual basis for a period of 6 (Six) months. Interview will be held on 6th February, 2018 at 2:00 P.M. in the Conference Hall, NIT Manipur, Langol campus. For details qualification etc. may be seen in Institute website: www.nitmanipur.ac.in.

Positions:

Sl.	Name of the Post	No. of Post	Qualification/Experience/Age	Monthly Consolidated pay
1	Library Assistant	02 (two)	**Essential Qualification:** Bachelor of Library and Information Science or Master of Library and Information Science **Experience:** Candidates having at least 2(two) years experience will be preferred OR **Desirable:** Experience in Library Automation / knowledge of computerization of Library. **Age:** 27 years. Relaxable as per GoI norms	Rs. 15,000/- p.m.
2	Junior Library Assistant	01 (one)		Rs. 12,000/- p.m.

Note:

1. No TA/DA will be provided for attending interview.
2. The engagement shall be purely on temporary and contractual basis and may be terminated by either side by giving one month's notice.
3. The application with full particulars / Bio-data along with Xerox copies of all qualification, Certificate, Marksheet, Age, Caste and other testimonials with contact number must be submitted on the date of walk-in-interview. Candidates are also required to bring one copy of recent passport size photograph.

HL-B/4364/31

Registrar, NIT Manipur